# মণিপুরদা সিনেমাই তাইবঙ লোইশিল্লকপা

'সিনেমা য়েংবা চৎপা' হায়বসি, মতম অমদা, ঐখোয়না নহা ওইরিঙৈ, ইনখৎলকপা মতমদগী য়ুম্বন-পুম্বিদা খোঙ জিল্লক্লমদাই মতম অদুরাইফাও' - য়াম্না মরু ওইবা প্রোগ্রাম অমগুম লৌনরম্মী। পাখঙ-লৈশা, শাবী-শানৌ অনীগী পুক্লিং-ৱাখল ফোঙদোক্লফম, পোম্বী চেক্লা চিল্লোক্লফম-তলা পামেল মসাগী মফম কল্লম্লনি সিনেমা হোলগী সিট'শিংনা। নুংশি-চিঠি অমনা কাইহৌরক্লা নুংশিবা, পাঙখুম অমা ঙাইবদা কোরৌ নুমিৎ অমবু কুমজা অমগুম খন্নবা... পুম্বি মপান্দা নৎত্রগা লৈরক্কী চিদাইদা মীকুপ খরা উন্নরগা খোঙকাপ খরা চৎমিন্নবা... শিংজু-য়োনবী-ঈনেগীদা মতারোইশিংগা লোয়ননা শিংজু-বোরা চামিনরম্বদগী সিনেমা-প্রোগ্রাম থানরগা অমম্বা সিনেমা-হোল মনুংদা য়েৎ-ওইননা ফম্মীয়বা-নুংশি পঙ্গু য়ৌরমদাইগী ফানখোঙ-পায়মীয়বগুম খররম্লিবনি। কমাল নৎত্রগা মোনখুমদা ষ্টাইল-তৌরবা-ময়ক্তা য়েংমিন্নরবা সিনেমাদুগী মমিং... আরজু-গীত-অরাধনা.. য়েকহন্দুনা লোল্লগা নুংশি-খুদোল ওইনা অনৌবা চহীদা পীনরম্লিবনি। মতমদুগী রোমান্স, ঙসিগী 'নব-বার্ষ'শিংনা ৱাখলনা লাঙ্গদা ফংলরোইদবা তাইবঙ অমনি। রোমান্টিক-জুরাসিকগী ৱাং-ঙাকসু নত্তে। অনৌবা সিনেমা অমা হোংবদা, হোলদুগী মপুনা খোঙ্গেল নুংশিবা/ফজবা কনাগুম্বা অমা নেক্লগা রিস্কো অমা নেক্লগা মাইক'কী খোঙদা সিনেমাদুগী হীরো-হীরোইনগী মশক-মতৌ শৈথারগনা ফিল্মুদী মরমদা লৈরক-কোল্লাং শিন'থুংনা লাউররবদা, নুমিৎ-থা য়েংলগা অখন্নবা সিনেমা য়েংবা চৎনরম্মী। অখন্নবা ফিজোল শেংলগা লৈকায়দুদই থোক্লকপদা হংনরম্লিবনি - 'সিনেমা য়েংবা চৎলিবরা'? ... 'করি সিনেমা য়েংদোইনো'?

হিন্দি-সিনেমা (ফিল্ম) না মণিপুরগী খুন্নাইদা পীবা ইথিল, ৱারেংসিগী শৈহৌ ওইনা ইজ রিবা ৱাহৌ খরসিনা লোইবা নত্তে। লমদমসিগী পুলিরোল-নাৎ-চৎনবী, ফাওবা হোংহল্লক্লবা ইথিলনি। জগোয়-ঈশৈ-নাৎকী মশক ওনহল্লম্লিবনি। খুন্নুং-ঈশৈ, খৃৎলঙ-ঈশৈবুনা রিচুয়েল আর্ট-ফোর্ম ওইহনগুগা, ফিল্ম-ঈশৈবুনা পোপুলার আর্ট ফোর্ম অমা ওইহল্লক্লিবনি। 'মতম-ঈশৈ' হায়বা, নহা অহল পুন্নমক্কী চিন্দা পল্লবা শৈশক অমা ওইরিবসিসু 'হিন্দি-ফিল্ম' হায়রিবা কলা মফম অসিগী পোথোক্লিই। মরা তাঙ্বা 'হিন্দি-ফিল্ম' গী মরাদগী চোংখৎলকপা পাম্বী অমগুম্বা 'মণিপুরী ফিল্ম', মসা মরেং ফল্লবা অচৌবা পামেল অমা ওইগে তৌরম্লগা, খঙহৌদনা লৈমায়গী-লৈহাও'দা ঈকং থোকপদগী শুগুং-মাংগং ওইরক্কবগী মমি তম্লক্লে। লমদমসিগী লৈহাওগী লৌবা মচলনা শেমগৎলকপা মণিপুরগী 'শুমাং-লীলা'সু হিন্দি-ফিল্মগী অকনবা শাহ্নম'না হুমদোকপ্পগা, 'হিন্দি-সিনেমা' গী য়ুম্ফমদা শাগৎপা 'আর্ট-ফোর্ম' অমগুম মকা লাম্না লৈশাৎ তম্লি। কোইরক কোইবা মীতৈ-শুমাং মথৌ পুঙহই য়ৌখিবা 'লীলা' শুমাংদগী লাপখরে, চুথেক নাইবা ফম্নাকথঙা শান্নখরে। মমা লৈবাক শৈথাবা ঈশৈ অমনা শৈহৌবা, পুমহাঙ হাঙবা মফমদা অয়েংবশিংনা কোয়শিল্লগা শান্নবা, কুমহৈরোয়শিংনা ইনগদবা তঙাইফদবা থৌগল্লোন খর'দু নত্তনা, মপূম ওইবা কুমহৈসিগী মশক্তি হিন্দি-সিনেমাগী 'ফোর্মুলা ফিল্ম' অদুমক্লি। থিংবা ঙমদবা মতমগী য়াওল অমনি।

কুনমাথোইশুবা চহীচা অসি খোঙ হেক থাংজিল্লকখিবগা, থিংবা ঙমদবা অতোপ্পা য়াওল অমগা লাকখি - 'মণিপুরগী সিনেমা হোলশিংদা হিন্দি-ফিল্ম কাপ্পা মতম পূম্বগী ওইনা থিংজিল্লে' হায়বা অকনবা য়াথং অমা লাকপদগী। করিদগী, কমদৌনা, কনানা তৌরকখিবা য়াথংনো... মীপূম তিংনা খঙনরবা ৱাফমনি, অমুক নৌনা ইজররোই। লৈবাক্কী পোলিসি মেকর ওইরিবা 'লৈঙাক'কী য়াথং নৎত্রবসু ইন্দ'-য়াদবা য়াথংনি। মকোক নোনখি লৈঙাকসু। কুমহৈ-ফিহোং, হৱাও-তয়াম তাইবঙগী অচৌবা কৈথেল ওইরম্বা 'সিনেমা হোল'শিং খঙহৌদনা খুন্তাক-লানশিরকখি। সিনেমা-হোলশিংনা হিংনবই পূকচাক থাক্লম্বা ইমুং কয়া, চাকখাও-মরী তৎলকখি। খঙদে, করি করি শিনফম পায়নখ্রবনো? সিনেমা হোলদা কাপ্পা হিন্দি-ফিল্ম য়েংবা থিংবখক নত্তে, ময়ূম-ময়ূমদা মরন্নাই' টেলিভিজন্দা ভিদিও-প্লেয়র শীজিন্নদুনা, নৎত্রগা, সেটেল্লাইট-টেলিভিজনগী খূত্থাংদা য়েংজবদুফাও থিংলম্মী। লাউদ-স্পিকর শীজিন্নদুনা ঈশৈ তাবফাওবা কিনরম্মী। করি অমুক হায়গনি চীন্দা-পকখ্রবা ঈশৈ ঙংবফাওবা তন্নরম্মী, শৈশকপশিংনা প্রাইভেট ম্যুজিক কন্সর্ট'তা হিন্দি-ঈশৈ শক্লুবগী 'চৈরাক ফংলোইদবগী মরম করি লৈ' হায়বগী শেংদোক-ৱারোল পীরুবা, 'অমুক হন্না শকচররোই' থাজহল্লগা হল্লকখিবই থৌদোক কয়ানি।

'শক লোৎলগা লাকপা থৌজাল' - ব্লেসিং ইন দিসগাইজ-হায়নবা ৱাহায়দু চুম্বজ াৎনি। সেল্লুলোইদ ফোর্মেট'তা নম্বা ফিল্ম-কোষ্ট-ফেক্টরনা মরম ওইদুনা মরাং কায়না পুথোক'ঙমদ্রিঙৈ, 'মণিপুরী সিনেমা'না ইন্দিয়ন-ফিল্ম-কৈথেলদা বিন্দু অমগী মফম ফাওবা কনবা ঙমখিদে। অদুবু, কম্মর্সল-সিনেমা (মেইনষ্ট্রিম সিনেমা) নত্তবা 'ওফ-ত্রেক-প্রদক্সন' - মরু ওইবা-ঈচেলদগী নাথৈরগা পুথোক্লকপা সিনেমাগী তাইবঙদদি 'মণিপুরী-সিনেমা' তোমথিন ওইবা মফম অমা কল্লম্লবনি। কম্মর্সল হিন্দি-ফিল্মনা কৈথেলদগী মমি ফাওবা উদনা মূৎখ্রবদা, দিজিটেল-ভিদিও-ফোর্মেট'তা নম্বা মীতৈলোনগী ফিল্মশিং মণিপুরগী সিনেমা হোলশিংদা খোঙ্গুল তারকখি। মতু-মমান খীংলকখি। মমল য়াওদবা ফিল্ম-ষ্টার ওইরম্বদগী মশাগী মমল-মন্তিক্লরগা ফিল্ম-কৃম্বা এক্টর-ষ্টার থোক্লকখি। ফিল্ম-প্রদক্সন অমসুং দিষ্ট্রিব্যুসন-শেন্দোং ফংবা শিনফম অমা ওইরকখি। মশক-মঙাল নাইনা তাইবঙ, গ্লেমরস-ৱর্ল্ড হায়বদুগী মফম অমা খুন্নাইসিদা শেমগৎলকখি। ইন্দষ্ট্রি অমা ওইনা শক খঙলক্লুবা ফিল্ম প্রদক্সন সেন্টর/ষ্টুদিও অমা হায়বদুমক লিংবা ঙমদ্রবসু হায়-ফাই কম্প্যুটর মেছিনেরি/ইদিটিং ইক্বিপমেন্টশিং অমদি হায়-রিজোল্যুসনগী কেমেরানচিংবা লৈশিন্দুনা ফিল্ম পুথোক্লবগী মিনি-লেবোরেটরি খরা লিংখৎনরকপগী পাউদি তাখি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টলোমদা, গভর্ণমেন্টকী মতেংগা লোয়ননা মণিপুরী-ফিল্ম-ষ্টুদিও অমা লীংনবা থৌরাং পায়খৎপগী পাউ অমসু তাখি। মণিপুরী কলচর অমসুং ফিল্মবু নুংশিবা পোলিটিসিয়ন অমত্তা লৈতবনা ৱাফম অসি মঙলান ওইদুনা তোক্লগনি হায়ববুদি পাউসি তাবা নুমিত্তুদই খনখ্রবনি। মনি-মেছিন অমা ওইনা শীজিন্ননবা তুংগী স্কোপ লৈতবনা, শেঞ্জাও পায়বা কনা'মত্তনসু মরন্নাই শেল থাদদুনা ষ্টুদিও লীংবই ৱাখল পোক্লক্লোই। 'রাজ-কপুর'গুম্বা কপুর-শাগৈগী ফিল্ম-আইকন অমা মণিপুরী ফিল্ম তাইবঙদগী থোক্লক্কনি থাজরুবসু, মঙদা মঙ্গা তানবগুম থোক্কনি। হায়দরবাদকী রামোজি ফিল্ম-সিটিগুম্বদি ৱাখলদসু খন'গুমসি। লাইমন ওইদুনা তোক্লবনি।

আশাগী ময়োল কংখ্রবা মণিপুরী-ফিল্ম-লৈকোন'সিদা আশাগী য়েন্নিং হুলহন্নবা থৌওং অমখক্তি লৈ। থৌওং অসি থবক ওন্থোকহল্লবা - ঐদি থাজে, মাঙলুরবা শক্তমসি শোয়দনা হনজিল্লক্কনি।

সিনেমা-দ্রামা-জগোয়-ঈশৈ-লীলা... কনাগীদমকনো? অয়েংবশিংগীদমকনি। উবীদ্রবা ফজবা, ফজরুবই কান্নদে - য়েংবীনবা লৈত্রবা, চন্নফম লৈতে কলাগী। হৌখ্রবা চহীচাদুগী হুস্ফুতরা-মরিফুশুবা চহী তাঙ্কত্তুদা লৈরম্বা, সিনেমা য়েংবা লাকপা মীশিংদুনা ফল্লম্বা ফম্ফম অমদি হোলদুগী ফীভম - মতমদুগী থাক্তগী হেনগৎহনবই ৱাখল-হোল মপুশিংদা পোক্তরি। মতমদুদা পাখঙ লৈশা-সাইকল তোংদুনা কোয়নরম্মী। রিক্সো তোংদুনা সিনেমা য়েংবা চৎনরম্মী। ঙসিদি কদায়? স্কুল চৎপা অঙাংফাও' সাইকল তোংউ য়াখিদ্রে। টু-হিল্লর/স্কুটরদা রোমান্সিং তৌবা - অমনবা ফেসন ওইরক্লে। পার্কিং ফেসিলিটি লৈতবা দুকান অমদি সোপ্পিং-কমপ্লেক্স, পোৎ শিৎত্রবা মতমনি। টু হিল্লর-ফোর হিল্লর গাড়ী পার্কিংগী ৱাদি তোকখ্র'সি, খোঙনা লাকপা মীশিংনফাও সিনেমা য়েংবা লাক্লগা মিনট খরা লেপ্পগা চা-কোফী-স্নেক্স চা'-থক্তুনা ঙাইফম লৈতবা মফমদুদা লাক্লিংগদবা কনানো? কালেন থাগী শারবা মতম অদুদা, হুমাং জিরি জিরি চেন্থনা সিনেমা য়েংদুনা পুং অমা অনী ফম্বীনীংঙাই মী-মতমসিদা লৈতরে। নুংঙাইবা ফম্ফম শেম্বীদ্র'সু হোলদু এয়র-কন্দিসন তৌগে হায়বদুফাও খন্দে কনামত্তনা। থবক অমা তৌবদা, ইষ্টাব্লিসমেন্ট অমা লীংবদা মফম চাবা/চাদবা হায়বসিনা মায় পাকপা/পাক্তবগী দিসাইদিং ফেক্টর অমনি হায়বসি, বিজিনেস এদমিনিষ্ট্রেসন তম্লক্তবা থায়নগী অহল-লমনশিংদুনফাও খঙলম্মী। সিনেমা য়েংবা লাকপা মী য়াম্না চনবা, অচৌবা ফজবা হোল শারগা শেন্দোং য়াম্না ফংগনি হায়বা মতম অমগী ৱাখলদু ঙসিদি চন্নদ্রবনি। আইনোক্স/পি ভি আর কন্সেপ্ট হৌদোকখ্রিবা - অনৌবা মতমগী কৈথেলনা পুরকখিবা মনানি। মীওই চনী-চহুম চনবা সিনেমা-হোল, চাওমল্লবা ওদিটোরিয়মনি। সিনেমাদুখক য়েংহনবা নত্তে, য়েংলিঙৈ অয়েংবশিংদা পীবা সর্ভিস মখল অদুসু সিনেমা-একজিবিসন-বিজিনেস মায় পাকপা/পাক্তবগী ফেক্টর অমনি। অদুবু, পূম্নমকসি মণিপুরগী কন্টেক্স'তদি মফম লৈতে।

ওল সেদ এন্দ দন! হায়ফম থোকপই হায়বনি। তাদৌ মানা তাদ্রবা, হায়রুবৈসু কান্নদে। মিষ্ট্রি'না ইঞ্জিনিয়র ওইনরিবা লমদমনি। কনানসু কনাগী মৱা লৌনদবনি। কেমেরা অমা পায়রগা লুহোং-কৈহোং' ফিল্ম নম্লম্বদুনসু ফিল্ম-দাইরেক্টর ওইরম্মী। অশোয়-অঙাম তানরুবা, 'নঙনা করি খঙলদনা' - ওনখৎনবা লমদমনি। 'অফবা সিনেমা থোক্লক্তবা' - অয়েংবনা য়েংনীংলক্তবগী অতোপ্পা মরম অমনি হায়বসি সিনেমা পুথোক্লিবশিংনা খন্থদবসিমসু খ্বাইদই লাইবক থীবনি। অফবা ৱারী, অফবা এক্টর, অফবা টেক্নিসিয়ন, অফবা দাইরেক্টর - অফবা ফিল্ম ওইরক্লবগী মরু ওইবা মচল ঙাক্তনি। মচলশিংসি অমুক্তং শেমগৎসি, য়েংসি-অয়েংবশিংনা সিনেমাদই করম্না লাপ্পা চেনখিবগে?

*—ইন্দ্রকুমার*

# খুইথরবা খুন্নাইদা য়েন্নিংথাগী আশা পীরিবা শৈরেং লাইরিক 'ঐ লৈত্রে' - মীৎয়েং অমা

দেবদাস মাইরেম্বম মোইরাং থোয়া লৈকায় মোইরাংদা ১৯৭৩দা তাইবঙ খোঙদারকখি। খোরিরোল পামজনা লাকপনা মহৈ তম্বগী লম্‌দসু ইংলিস লিটরেচরদা পোষ্ট-গ্রেজুএট লোইশিনখি। মহাক্লা মপূং ওইনা ইবদা চঙশিল্লিবসি শৈরেংনি। অদুনা শৈরেং লাইরিক ঙাক্তা ফোঙলকখি মথং মথং। (১) পাং তিংলিবা যীশু অমা (২০০২); (২) থৱায়গী ঈশৈ (২০০৬); (৩) সাবিত্রি নহাক লুহোংগদবনি (২০১০) অমসুং (৪) হায়নৈ নহাকসে অঙাওবীনি (২০১৭)। অইবগী শৈরেংগী খোঙচৎ অসিদা মহাক্লা ২০১৭তা ফোঙখিবা 'হায়নৈ নহাকসে অঙাওবীনি' হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অসিদা রাইটর্স ক্লব, নম্বোলনা 'চন্দ্রেশ্বর নীংশিং সাহিত্য মনা ২০২০' পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। শৈরেং ইবতা নত্তনা খোরিরোল নৈনবগী লম্‌দসু লেপ্তুনা চঙশিল্লি লোয়ননা ত্রান্সলেসনদসু খূৎ থারি। কলমনিষ্ঠ ওইনা নৈন-ৱারেংশিংসু পোক্লফম পাউচেদা ইরি। সাহিত্য একাদেমিনা শিনবা নেসনল সিম্পোজিয়মশিংদা শরুক য়াদুনা লাক্লি। শৈরেং শৈদিন্নবা কয়াদসু লেপ্তুনা শরুক য়াদুনা লাক্লি। শক্লাইরবা অইবা লমাবম বীরমনিগী 'ময়োকনবা' হায়না মিংথোনবা ইংলিসতা হন্দোক্তুনা ফোঙখ্রে অমসুং অঙাংগী ৱারীদা কাব্যগী ৱারেপ হায়বসিসু হন্দোকখ্রে। অশৈবা দেবদাস শৈরেং তেন্না ইবদসু য়াম্না ইচং থৌই অমসুং শাংনা ইবদসু পাউজেল কয়া লোয়নবা অমদি অপাবশিংদা ৱাখল য়াম্না খন্থহনবা ঙম্বা খূৎইদসু খূৎ থারি। অতেনবা শৈরেং অমদা মহাক্লা ইরিবসি য়েংবা য়াই।

**নোংলৈ**

*করিগুম্বা নোংলৈ হৌরবা নীংশিংবীয়ু - ঐ হিংলবনি। কিগনু নোংলৈসে/জগোয়নি/নোংপোক নিংথৌ পাম্থোইবীগী*। লা: ২৯

মণিপুরগী ক্রিএসন মিঠ, লৈশেম নোংশেম্বগী ৱারী অদুমক তারি। নৌহৌনা নীংশিংলি কুমওন খুদিং কালেন লাই হরাওবা মতম্না লাকপা খুদিং। অশৈবা দেবদাসনা শীজিন্নরিবা নোংলৈসিমক সিম্বোলনি। রোমান্তিক অমসুং optimist কবি P.B. Shelley মহাক্কী মমিং লৈরবা শৈরেং Ode to the West Wind হায়রিবা অসিদা য়াওরিবা মালেম ফাওরবা পরেংনি If winter comes can srping be far behind হায়বদু দেবদাসকী তেনখ্রবা শৈরেং অসিদসু মমি তারি। তারিবা মমি অসিদি মণিপুরী অশৈবা অমনা ইমা লৈবাক ইরমদম অসিদা পোক্লুবা অমদি লমদম অসিগী লৈবাক লৈহাও অমসুং ঈশিং নুংশিৎতা চাওরকপনা মসিনা পীরকপা ইথিলদুনা ইরকপনি নোংলৈ ওইনা। হায়রিবা নোংলৈ অসিমক্তি মাঙনা তাক্লবা অদুগুম্বা নোংলৈদুদি নত্তে। লাই ঈরিক ঈশেংবু নোংমদোলদগী খিক্লেন চায়থরক্তুনা মোৎশিল্লিবা অমদি মাংশিল্লিবা পূম্নমক কোকথোক চামথোক্লবা অদুগুম্বা নোংলৈদুনি। ঐখোয়গী লৈশেম নোংশেম্বগী জগোয় খূৎথেক অদুবুনি। অরিবা মরূদগী অনৌবা য়েন্নিং চোংলক্লিবা মতম অসিদা লাক্লিবা নোংলৈগুম্লবা খুদোংচাদবা লৈবাক্কী ইস্যুশিং ফনা লৈরগসু নোংলৈসিগী মতুংদা লাক্কদৌরিবসি অঙানবা নুমিৎকী মঙালনি হায়বদু য়াম্না তেন্না কলচরেল রেফরেন্স অমদা পুথোক্তুনা শৈথারি।

মণিপুরী খুন্নাইদা মৈতৈ নুপীশিংগী থৌনা অমদি মখোয়গী লিংজেল পুৱারীনা লেংদ্রবা খুদম ওইদুনা লৈরি। লৌশিং লৈবদা অমদি মথৌনা মরিংজেলদা। অদুবু মতমসে য়াম্না হোংলে হায়না কবিনা উরক্লি। অশেংবসু য়াম্না অহোংবা লৈরে মণিপুরসু। অরিবা সোসল ভেল্যুজ অমদি কলচরেল আইদেন্টিটি অদু কয়াম ঙাক্লা হিংলি হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমদি ওইরক্লি। অদুনা মহাক্কী পোদোন হায়না মিংথোনবা শৈরেংসিদা মঙালগী মশক ওইরবা নুপী খুন্নাইগী সিম্বোল অদুনা পোদোননা ওইরগা হেক থংনবা শৈরেংগী পরেংদা ইবেনদি পিশুম ফোয়রি হায়বসিনা পুরিবা নুংগী ৱাহন্থোক অদুদি অপাবশিংদা শিন্নরি। মরমসু হৌজিক হৌজিক্কী খুন্নাইদা অদুম য়েংবা য়ারনি হায়বনি অশৈবনা হায়নীংলিবদি।

**পোদোন**

*কাচিন অমদা তাদুনা লৈরি পোদোনসে/মতম অমদদি/ইবেনগা লোয়ননা/ৱারী শানখিবনি/হুরানবা ফাখিবনি।/হৌজিক/কনাগুম্বা কবি অমনা হায়খি - ঐখোয়গী ইবেনদি পীশুম ফোয়রি।* লা: ৩৬

লৌবুকশিংনা ফেক্টরি ওনখিবদা অমসুং লন্নাই মীওই খরতনা মপু ওইখিদুনা কেপিটালিষ্ট ইকোনোমিদা অসুম লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লিবা মালেমগী চাওখৎপগী খোঙজেল অসিদা মহৌশা য়াম্না চম্না নুংশিননা লৈজরবা অরিবা পুন্সিগী ভেল্যুজ অদুদি চাওখৎপগী কোল্লূদা লোইনা চপখায়রক্লি হালেংবা লৈতনা। ইনাকখুনবগা লায়রবগা লৈনরিবা ঙমখৈ শম্বল হেন্না ৱাংখৎলক্লি। মহৌশাগী মশাইকোলদা লৈরিবা ফৌগৈ চেঙগৈ পূম্নমক অঙম্বশিংনা মখোয়গীতা ওইনবা নৈখায়রক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা অশৈবা দেবদাস তূমিন্না লৈশিনবা ঙল্লক্তে। অদুনা খোঞ্জেল থোক্লা তেংথারক্লি **চুমই, ঐ লৈত্রে** *থৱায়সিনা/অনৌবা ফৌগী পান্দোং মরক্তা/মালংগী শাহুমদা শান্নজবসিদা/খঞ্জবনি ঐ/হকচাংসিনা লৈশাদা তিনখ্রবসু/থৱায়সিদি লৈহৌনি তাইবঙসিদা।/লৈখোম-লৈনাং মরক্তা/অনৌবা ফৌগী পান্দোংনা/হেক-হেক চোংখৎলকপা উবদা/ঐগী থৱায় লৈহৌনি হায়বদু/খঞ্জবদু চুমই হায়না।/অদুবু থৱায়গী তুংনফম ওইরিবা ইপা লৌদি, ইপূ লৌদি/উরে ফৌ পান্থীগা কায়নরকপা: অদুনা তাদ্রে লৌতা ঈশৈসু/উদ্রে হাওবা নুরাবীগী জগোয়সু/অদুনা চূল্লে নহাকনা হায়বদু/ঐ লৈরে।* লা: ১২৭

মহৌশাগী মীহুল হুল্লিবা অদুগা ইকোক্রিটিকেল ওইবা মিৎয়েংদা পুশিল্লক্তুনা য়াম্না কুপ্পা নৈনবা য়ারিবা শৈরেংনি 'চুমই, ঐ লৈত্রে' হায়না মিংথোল পীরিবা অসিমক। ঐ হায়বসি মহৌশাদুনি। মহৌশাদা মীওইবনা তাংদুনা হিংদুনা লাক্লিবনি। মসিদা অশৈবা কবিনা হায়নীংলিবদি অতৈ নত্তে ঐখোয়গী মহৌশাদগী শাগোন্নদুনা মৈনা ৱাই তাংনা শম লাক্লিবা অরিবা অমদি নুংশিবনা থল্লবা লীক্লম অমদি পথাপ অদুনি। পাম্মুনা নুংশিনা চৎনদুনা লাক্লিবা লীক্লম অমদি কায়রে। লৌউ-শিংউ তৌবদা পুন্সি মহিংদা। লৌবুক হায়না শীজিন্নরিবসি সিম্বোলনি। পোকপা শিবা নাইবা মীওই মপোক্তা অসিগুম্বা পুন্সিগী ভেল্যুজ অমদি মহৌশা লাইরেম্বী ইমা মহাক অদু লৈরি হায়বসি কাউথোক্লবা মীওইবদা খোঞ্জেল থোক্লা তাবা হৈত্রবা মীওইবগী নাকোংদা তানবা হায়রকপনি ঐ লৈত্রে হায়না। মসিদা নুংঙাইতবা পোক্লকপ্রা হায়নসু য়েংনীংলি অমসুং অসিগুম্বা ভেল্যুজ অসি অমুক হঞ্জিন্না হোৎননীংলিবরা হায়বদুগী চাংয়েং অমনি শৈরেং অসিমক। লাইরিক অসিদা শক্লাইরবা অইবা অনীনসু হায়রি "লাইরিক অসিগী মিংথোন্না ঐ লৈত্রে হায়রগসু লাইরিকসিগী শৈরেংশিংনদি হায় "দেবদাস হিংলি য়াম্না হিংলি, ঐখোয়গা পূন্না লৈমিন্নরি' মখা তারকপা মহাক্কী শৈরেংশিংনসু মহাকপু অসুম লৈহনগনি।" - য়ূমলেম্বম ইবোমচা।

মচেকনা য়ৈবা অদুগা নাকোয়ননা হায়নীংলিবা য়াম্না শাফু কন্না হায়নীংবা ৱাহৈশিং শীজিন্নবদসু কবি দেবদাস থোইদোক্লা য়াম্না হৈ শিংবা থেংনৈ। "চেকয়ৈ শৈরেংশিংদা য়াম্না নুংঙাইরিবদি অৱাংবা থাক্তা থম্লুরিবা শক্তমদুবু পুন্সিগী তাইবঙগী চনৈনবা মরকসিদা পুশিল্লক্লবা মতুংদা 'অৱাংবা' হায়বা কনসেপ্ট অসিমকপুসু হঞ্জিন্না চেকয়ৈ তৌবা ঙল্লকপা অসিনি।" - বি এস রাজকুমার।

কবি দেবদাসকী শৈরেংগী মিংথোলশিং য়াম্না তেন্না অমদি ৱাহন্থোকশিং ফুমদুনা হেক হেক পুবা থেংনৈ। অসিগুম্বা মতাং অমদা মহাক্লা ফোক লিটরেচরগী ওইবা ইলিমেন্টশিং পুশিল্লক্তুনা হৌজিক্কী মতমগী মণিপুর অসিবু য়েক্লি অমদি ফজবা ইমেজরি অমসুং সিম্বোল শীজিন্নদুনা ঐখোয়দা শোয়রিবা অমদি চুমথোক্তবা য়াদবা লিচৎ অমদি লীক্লম অদু অসি তৌরদি শেমদোকপা য়াগনি হায়না ইঙ্গিৎ পীরি হায়নীংই। খূত্তা শক্তি পায়বা অঙম অথৌশিংনা ঙম্মী মতাগুম্বা লৈবাক অসিদা শান্নরিবা লীলা ময়াম অদুগা থায়না মোইরাং কংলৈরোলগী খম্বা-থোইবীগী শাইওন লাংওনগী ৱারী পরিং অদু পুশিল্লক্তুনা অমদি নৌহৌনা রি-ভিজিট তৌদুনা করিসু লাঞ্জদবা খম্বা মহাক্তবু নোংবান অমদি মহাক্কী মিচংদা লৈবা নিংথৌ অমদি অঙম্বশিংনা অরানবা তাহনবা অদু ঙসিগী পাম্বৈ লৈত্রবা অচুম্বদি করিনো খঙবা মীচম মীয়ামগা চাংদম্নরক্লি। থোইবীদি অরানবা চৎনবী অমসুং ওইদবা লৌনম নমথাক্লা পংথহনবা য়াবা অদুগুম্বা নুপীদু নত্তে হায়বগী সিম্বোলনি। খুন্নাই অসিগী খোঙচৎ অসিদি অদুমক চৎখিনি অদুগা চাকহোঙ-ঙাহোঙবা লমদম অমগী লৈ-লাং জগোয় অদুদি শাখিনি অমসুং খোঙ্গুমমেল্লৈসু অদুমক লোইবী চীংগী নাপোমশিংদা থিরুগনি অমদি শোয়দনসু শাৎলমখিনি হায়না আশাদি মাঙবা লৈত্রি কবিনা।

**লৈ-লাং জগোয়**

*জগোয় শাখ্রবমক্তদা/খম্বা-থোইবী/থুগাইনবা হোৎনৈ জগোয়দু নোংবান্না।/কায়রবা মিংশেল/লাউরিবা খোল্লাউ/নোংবানগীদি নত্তে উরিবা/খম্বা-থোইবী লৈ-লাং জগোয়গীনি/মসিদবু ঐগী শৈরেংনা করি হায়গদৌরিবনো?/খম্বনা হায়- ঐদি কায়রবা মিংশেলনি/থোইবীনা হায় - ঐদি লাউরিবা খোল্লাউনি/ঐখোয়গী খোঙচৎ লৈ-লাং জগোয়গীনি/খোঙ্গুমমেল্লৈদি?/মৎখ্রে নোংবান্না/মুনখ্রে নোংবান্না/অদুনা চৎলিবনি ঐখোয়/ঐখোয়গী খোঙচৎ*। লা: ১২৯

শৈরেংগী পরেং খরতনা ৱাহন্থোক লিশীংদা পাউজেল পীবা য়াবা শৈরেংশিংগী মরক্তা 'মঙ' হায়না মিংথোনবা অসিসু অমনি। হঞ্জিন হঞ্জিন হিংবা অমসুং শিবনা করেম্নরবা পাম্বৈ লৈত্রবা থৱায় কয়াদা পূক্নিংগী লৈহাও হাপ্পীবসি শৈরেংনি হায়নীংই। খ্বাইদগী ৱারবা অমসুং পুন্সিগী পোৎলুম্না লাঙ্গৈই চনশিল্লক্লুবা মতাংশিংদা অমুক লৈবাক অদুদা নে তানা য়াইবী মরা তপ্পা লৈবা ফংদবা, ঙসি করি থোক্কনি হয়েং করি ওইগনি হায়বা তম্বা ঙমদবা অদুগুম্বা খুন্নাই অমনি মণিপুর। মসিবু কবিনা মিংথোল অসিমক্তদা ৱাহন্থোক অনী পুহন্দুনা অমনা আশা অমদি মঙ মঙবা ওইনা অদুগা অমনা অশিবগী মঙ, মঙফম অদু ওইনা পুশিল্লক্তুনা পাউখোং চল্লি। শীজিন্নরিবা আইরোনি অমদি সিম্বোল অসি য়াম্না চংখোল্লি। অপাবশিংদা ৱাখল য়াম্না খলহল্লি।

*বোম পোকখায়ফমশিংদা/ঐ পোক্কনি হায়না/মঙ মঙলমই ঐ/মঙদু থুগাইরমই ঐ/মৈফম অমা লৈরমই/মদুদা হুনজিল্লমই/বন্দ ব্লোকেদ করপসন/মৈচাক শীং ওইনা/মৈঙালদুদা/অহল মতম ওইরবী/ইমা-ইবেন কয়ানা/এঞ্জাং-নাপি য়োল্লমই/ৱারী-ৱাতাই শাদুনা/ঐনা দারুগা ওইদুনা মঙসি ঙাক-শেল্লমই।* লা: ৪৩

লৈবাক খুন্নাইবু লুচিংগনি হায়না থোক্লিবা, খুঙ্গংদগী সহরদা লাক্তুনা চাওখৎপগী ফিজোলদা লৈবাক নীংবা শারিবশিংবু করেম্নরি মহাক্কী শৈরেংনা **'য়ূমগী খুনুনা ক্বাক ওনবা উরব্রা'**

*য়ূমগী খুনুনা ক্বাক ওনবা উরব্রা/উরে ঐদি নম্বুল তুরেল মপান্দা/নম্বুল তুরেল মপান্দা/হেক চাক্তারুরবা/ক্বাক হেক্তা ওল্লকই/য়ূমগী খুনুদো/মদুদগী খুনু ওনবা ঙমদদুনা ক্বাকতু, ৱাহোংগী মতু/থেৎচিল্লগা থোক্লকই*। লা: ৪৯

তুরেল অসিনা উৎলিবসি মণিপুরী খুন্নাইনি। ঙসিদি য়াম্না মোৎলে হায়বনি ঈচেলসে। তৌশিন্নবা ময়ামসিনা মশাগী শক্তম করিনো খঙজদনা য়ূমগী খুনুদুনা ক্বাক অমদি ৱাহোং ওইনীংলিবা অদুবু য়েংউ তৌরিসে হায়না খূৎ থিন্দুনা তাক্লকপনি। নৈননীংঙাই শৈরেং কয়াসু য়াওরি। পূন্না শৈরেং ৭৯ য়াওরি। মহৌশা মালেম অমসুং ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা লোক্তাক্কী পুৱারী অমসুং ত্রেদিসন ঙাক্লা থম্বা অমসুং কলচরেল ভেল্যুজশিং ঙাক শেন্নীংবগী ঈহুল য়াওরবা ফজরবা শৈরেংশিংসু লাইরিকসিদা য়াওরি। মণিপুরী শৈরেংগী পুক্কৈদা চাওরবা খুদোল অমদি তম্বা ঙল্লে অশৈবা দেবদাস মাইরেম্বম্না।



দেবদাস মাইরেম্বম

লাইরিক্কী মমিং :-
**ঐ লৈত্রে (২০২২)**
অইবা :- **দেবদাস মাইরেম্বম**
অফোঙবা :-
**খ্বাইরাকপম সনায়াইমা সিংহ**
**সেক্রেটরি, লোক্তাক খোর্জে লুপ**
লাইরিক্কী মখুম :-
**বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম**
লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**
লাইরিক্কী মমল :- **লুপা ২০০/-**
লমায় মশীং - **১৩৩**




*-তোংব্রম অমরজিৎ*

ৱারী ককনাউ

# ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট

"য়ূমসিবু কনা কনা লৈবগে, ইন্টেন্দিং... ও! ইন্টেন্দিং লৈবিবরো?"

"কনানো?" নুপী অমগী খোঞ্জেলনা খুম্লকই।

"ঐনে, ৱা অমত্তা হায়জগে হায়না তৌবনি, ঐখোয় ইন্টেন্দিংবু লৈবিবরা?"

মকে নিংথিনা শেল্লবা, মশমগদু হঙ্গামপাল মচু হাইরপ চঙবা মচু শঙলবী মৌ নহা অমা মনম নুংশিবা চাইদুনা থোরকই। অদুগা শুমাং মতোন্দা লেপ্পগা কৌরম্মিবা নুপা অদুদা য়েংলগা হংলকই,

"অহ! কনা... কনা হংবীবনো?"

"ঐখোয় ইন্টেন্দিংবু"?

"ঐখোয় ইন্টেন্দিং হায়বু কনা, ঐখোয়দদি ইন্টেন্দিং কৌবা অমত্তা লৈতে, য়ূম ওন্নরম্মনি"

"য়ূম ওন্নজদে, য়ূমদি চুম্মী"

"ঐখোয় সিদদি ইন্টেন্দিং কৌবা মী লৈতে হায়জরেদনা"

"লৈদনা হংজরিনি, অমুক্তা কৌথোকপীরকউ, ৱা অমত্তা হায়নজগে তৌবনি"

"ইহে, থবক চৎলমদাইসিদা ঐগী হৌনবী নুংশিৎ কাঙদৌরেদো, (শাওরপনা) কনাই ইন্টেন্দিংনো লৈতে সিদা" ইমুংদা মমায় লৈশিন্দুনা চঙগে তৌই। নুপাদুসু মরৈগী টাইপতা মখা চখ্থরকই। মা কনাসু নত্তে, চোংথাম লৈকায়দা লৈবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা তোয়াইনি। তোয়াইনা শাথীবসিসু অঙকপা অমনি। মা ইন্টেন্দিংগী মতুং ফনা য়াম্না কন্না ইন্নরম্মবনি। মানা ইন্নরিদু নুংতিগী মাগী দোজ অনী নৎত্রগা অহুমগী শেল লৌরগা ইন্নরিনি। মদুনা মাগী নুংঙাইজবী হায়দু ওইরিবনি। কুইরে ইন্টেন্দিংনা ভোট লেপতৌরিবনি হায়দুনা মুক্তুনা য়াম্না কন্না কোয়লাং লাংঙম্মীদো। শেল অদুম য়াম্না কন্না থাদদুনা লৈকায়গী নালা তৌবা, শেংবা, খোংবানদগী কং কোৎপনচিংবা তৌদ্রসু নহারোল ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা-চাদবা, থবক খরা লৈজদবা কাঙবু খরগা কোয়চেন চেন্দুনা কেন্দ্র থুংনা চৎলম্মী। মাগী মীয়ামদু খুরুম্বা, ফোটোগদু পোজ তৌরগা নমদুনা মীগী য়ূমগী থোঙ্গাল খঙদে, দুকান মমাঙ খঙদে ফনা য়াম্না থেৎলম্মী। মীটিং মচা মচাগা তৌদুনা ফজনা ঈরাং শাগৎলম্মবনি। কেন্দ্র মনুংদসু মাগী মমিংসি খরা খরা খঙনবা হৌরক্লবনি। ভোট কাবা কাদবগী ৱা নত্তনা মাসু ভোট লেপতৌরি হায়বসিমদি মীয়াম্না লোইনা ইখঙ খঙনরবনি। অদুগুম্বা ইন্টেন্দিংদুগী হার্দ ৱার্কর ওইনা মতুং ইন্নরম্বনি তোয়াই। ইখঙ খঙহৌদনা, ভোট লেপকনি হায়না লাংলম্বা ইন্টেন্দিংনা তূমিন লৈশিনখিবদুদা, অতোপ্পা কেন্দিদেট অমগী মনাক্তা চঙদুনা খরা ফেমিলিয়র ওইহৌদবগী মখোয়দৌ শাওগৎলবা, কাংলম চেন্দুনা তোক্লবা তোয়াইনা নুপীদু খাম্মগা শাওরপনা হায়রকই।

"য়ারোই য়ারোই, ঐ খঙই ইন্টেন্দিং ইমুংদা লৈ হায়বা, ঙসাই ঐ অয়ূক্তগীনি ঐনা নোইগী থোঙ্গালসিদা মা থোরকপা ঙাইরিসি, মা ঙসিগী থোরক্ত্রি, অদুনা ইমুংদা শোয়দনা লৈ হায়বসি ঐ খঙই। ইবেম্মা নঙসু ঐনা নশক মুন্না খঙই, কান্নদে, ইন্টেন্দিংদু অমুক্তা কৌথোরকউ"

"কৈনো সোমনা হায়বীরিসিবো, ইন্টেন্দিং কৌবা লৈতে হায়রেদনা, ঐ থবক চৎকদবা লৈ থেংলে, নিশাদু শ্বাইদা খাইরনু হায়বসিবু করি কায়গে"

"ই! ঐবু নিশা খাইবা গাইনা"

"নহান্দগীনি ঐগী শীংলিসিদা পোৎ থাজিল্লক্ত্রিসি, কাইদৈ নিশানো, মানি ঐনা থিরিসি, ক্ষেতিপুরোন তানগে তৌনি"

"করিগী খেতিপুরোন?"

"মানা ভোট লেপনি হায়না ঐবু ফাজিল্লগা মতুং কোইনা ইন্নহল্লে, অদুগা হৌজিক্লা মানা কনাগা য়াশিন্নরিনো, কয়া লৌনরিনো, তূমিন লৈশিনখ্রে, অদুগা খোংবান চেনবা ঐনা কাংলম চেনবা তাহৌরে, মদুগী ক্ষেতিপুরোন তানগে তৌনি"

'ই! হা হা হা হা হা...' নুপীদু নোকথোরকই,

"নোক্কনু নয়াদু য়েংনীংদে, নঙ ইন্টেন্দিংগী নুপীনি, নঙসু নশক খঙই, থুনা কৌথোরকউ নৎত্রদি কারন তাজরক্কনি"

"করি তৌদৌরিবা? হা ঐগী ইশকনা নঙোন্দা কৈদৌরে, করিগীনো নঙনা ঐবু অদুক উশিত্তনা ঙাঙলিদো, ঐখোয়গীদি বিজিনেসনি। নঙ নথৌ লৈব্রা?"

"করি বিজিনেস?"

"ভোটকী বিজিনেস"

"কমাইনা?"

"হৌজিক থিকা তৌগে হায়রসু থবক তৌবা ফংদে, এম এল এ/মিনিষ্টরগী নক্লবা নৎত্রদি লমসিদা কনানা থিকা তৌবা ফংগে, তোলোপ চাবা থবক তৌবসু নত্তে, ঐখোয়দি করি চারগা হিংদুইনো? হুরানবা চৎকদরো? অদুনা নোইগুম্বা খরা নেক্লগা, ভোট লেপকনি হায়না নহানখৈ লাংলম্বদো, হৌজিক টিকেট ফংলিবা মীদো অদুদগী অপাম্বা শেল খরা লৌরগা তূমিন লৈজরবদো...! ভোট লেপকে হায়না লাংলম্বা নৎচদবদো...! থিকা তৌরদি বিল তান্নবদা মতমসু মাঙই...! সিদি ইকোম কোম্না চহী অমা থিকা তৌগদবদু ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটনি হায়না খরা কোয়চেন চেল্লম্মগা, খরা লৌনরগা তোকচরবদো...!"

"ই! নহানখৈ মানা ঙাঙলি-শক্লিবা, কোয়চেন চেন্দনা তৌরম্মীদু থিকা তৌবা ওইরম্মবা, বিজিনেস ওইনা ঐখোয়বু লল্লোনপোৎ ওইনা পুথোক্লগা তৌরম্মবা?"

"হায়মা নঙসু নুংতিগী নৎত্রসু নোংমা কাল্ল-কাল্লগা খ্রোচ পীরিদুদি"

"ও! ওকে ওকে! ফরে ইন্টেন্দিংদু অমুক্তা কৌথোরকউ, ৱা অমত্তা ওইরসু হায়রমগে"

"হায়রনু মদুগী মতম হেনখ্রে, মা হৌজিক মপান থোক্ত্রে, নুমিৎ খরনি মপান থোহনখিরোই, মীনা ৱা ওইনা য়াম্না ঙাঙনরি, মদু ফরকান্দা থোরক্কনি"

তোয়াই করি পাম্বৈ লৈ, ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটকী নুপীনা ফৈগাক ফৈনা থোঙজিন থৎখ্রবদা পাম্বৈ লৈত্রে, হনবদা তারে। নীংঙমদনা লুকথরগা থোক্কে তৌই, অদুবু অমুক্তং লৈশিল্লম্মগা মচিন পেন্না হায়রম্মী,

"মাগী মতুং ইন্নরিঙৈদা অতোপ্পা অমগী মনাক্তসু চঙহৌদ্রে, হৌজিক চঙলুবদা ইৱা লৌবীদ্রে, মী হেল্লে হায়না তাম্থোরক্লে। ইন্টেন্দিংদো ফদি ফজদেকো, মানা তৌরিসে, মাদি থিকাগী বিল ফংলসু, ঐদি থিকা শেল মাঙহৌবগা চপ মান্নরে। বিল বিনধা ওল্লে" ঙাঙলম্লগা থোকখ্রে। ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটকী নুপীদুনা নোকফেৎ তৌনা য়েংহৌরগা ইমুংলোমদা মমায় লৈশিন্দুনা চঙখি।

*-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।